## পঞ্জাব ঙমখৈগী শরুক্তা দ্রোন অনী থেংনখ্রে

চান্দিগর, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
পঞ্জাবকী মনুংচনবা গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী কসোৱাল এরিয়াদা পাকিস্তানলোমদগী পাইশিল্লকখিবা দ্রোন অনী থেংনখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌরিবা পর্সনলশিংনা দ্রোন অদু তম্না নোংমৈ কাপখি হায়রি।

বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লোন্নবা শরুক্তা লৈরিবা কসোৱাল ইন্টরনেসনল বোর্দরগী শরুকশিংদা পাকিস্তানি দ্রোনশিং পাইশিল্লকপগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। ঙরাং নুমিদাং মী তোংদবা দ্রোন অনী ঙমখৈগী শরুক্তা পাইশিল্লকপা উবদগী বি এস এফ পসর্নশিংনা য়ামদ্রবদা নোংমৈ রাউন্দ ৯৬ রোম কাপখি অমদি ইলুমিনেসন বোম ৫ সু শীজিন্নখি। মদুগী মতুং দ্রোনশিং অদু পাকিস্তান তম্না অমুক হন্না পাইখি। বি এস এফ পর্সনলশিংনা চিংনবা য়াবা মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক থিহুম্বগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি হায়রি।

## সঞ্জয় রাউটনা রাহুল গান্ধী হুন্দুনা ঙাংখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
সিভ সেনা (উধব বালা সাহেব থাক্রে) গী লুচিংবা সঞ্জয় রাউটনা হৌজিক হৌজিক ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা লৈরিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফ্রিদম ফাইটর ভি দি সাভরকরগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক চৎলিবা কোংগ্রেসকী ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি রাহুল গান্ধীগী খন্থদবা ৱাফম খরনা ময়েং তাহল্লে। মরম অদুনা রাহুল গান্ধী পোলিটিসিয়ন অমা ওইবদা মতিক চাদবা মীওই অমনি হায়না হুন্দুনা ঙাংখ্রে।

ফ্রিদম ফাইটর ভি দি সাভরকরবু কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী সিম্বোলনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা সিভ সেনা এম পি রাউটনা ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী লুচিংবা অসিবু পার্টি খরগী লুচিংবা অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা হিন্দু আইদল অসিনা বৃটিশ রুলরশিংদা মতেং পীখি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু হন্দোক্কদবনি অমদি মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রি।

## হান্না খঙনরম্বা নুপী হাৎপদা চেন্নবা নুপা ফারে

অজামগরহ, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
হান্না খঙনরম্বা নুপী অমবু হাৎলবা মতুং অশিবা হকচাং অদুবু শরুক ৬ থোক্লা ককথৎলবা মতুং গুহা অমদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থা অসিগী ১৫ দা পচিমি ভিলেজগী মনাক নক্লা লৈবা গুহা অমদা নুপী অসিগী হকচাং খরা থেংনরবা মতুং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌরকখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঙরাং প্রিন্স য়াদব কৌবা মীওই অমা পুলিসনা ফাখি। অদুবু পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা পুলিস নোংমৈনা কাপ্পদগী শোক্লে হায়রি।

## সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক্লা চেকশিন্দবদগী লৈবাক অসিগী লৌমী ৭৩৩ শিখিবনি ঃ রাহুল গান্ধী



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
সেন্টরদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা ফার্ম লো ৩ পুথোরকখিবা অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা লৌমী কয়ানা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুদা লৈবাক অসিগী লৌমী ৭৩৩ শিখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতম চানা লৌমীশিংগা ৱারী শানরম্লবদি মীওই ৭৩৩ গী মরাইবক কনবা ঙমগদবনি অদুবু লৈঙাক্লা চেকশিন্দবনা মরম ওইরগা মমল য়াম্লবা লৌমীশিংগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙখিবনি হায়না কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মরাল শীরক্লি।

মহারাষ্ট্রগী ভুলধানা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ভাষ্টন ভিলেজতা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা কোর্নর মিটিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা কোংগ্রেস এম পি রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরনা পুথোরকখিবা ফার্ম লো ৩ অদুবু রিপিল তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা লৌমীশিংনা দেল্লি ঙমখৈগী শরুক্তা কেম্প তৌদুনা লৈখি। অদুবু লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী ৱাকৎ তাবীবগী মহুত্তা ফার্ম লো ৩ অদুবু নমফুদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরকপদগী লৌমীশিংগী খোঙজং হান্নদগী হেন্না কনশিল্লকখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংগী লৈঙাক্কী থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। মদু ফাওবদা লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী অপাম্বা থবক্তা ওম্থোরক্তবদগী মশা মতোমতা মৈ থাদুনা লৌমী অমা শিজখি। চারা হেনবগী খোঙজংদা মশা কা হেন্না শোকচিল্লকপা অমদি পুলিসকা মুক্নবগী থৌওংশিংদা লৌমী কয়াগী পুন্সি মাঙখিবনি। লৌমীশিংনা মখোয়গী দিমান্দ পীয়ু হায়না মখোয়গী খোঞ্জেলনা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরি। অদুবু লৈঙাক্লা মদুগী মায়োক্তা পুলিস অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নখি। লৌমীশিংনা মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপগী ফীরেপ লৌখিদ্রবা মতুং মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৯ দা চয়েৎনরিবা ফার্ম লো ৩ অদু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌথোকখিবনি। কোংগ্রেসনা নুমিৎ অদুবু লৌমীশিংগী মায় পাকপা নুমিৎ হায়না পালন তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী ওইনা লৈরিবা লোশিং অসি লৈবাক মীয়ামবু মতেং পাংনবা লো নত্তে। মহাক্না নক্নবা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট খরখক মতেং পাংনবা অমদি নুংঙাইহন্নবা লোনি। লৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং মায় পাকখিবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী মায় পাকপনি। লৌমীশিংগী খোঞ্জেলনা লৈবাক অসিগী খোঞ্জেলনি হায়নরিবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌমীশিংগী খোঞ্জেলবু নমথদুনা থম্লবা হোৎনরি হায়রি।

## ‘মশানা মশাবু ইকায়খুম্নজরবদি একনাথ সিন্দে চীফ মিনিষ্টর ওইবা তোক্কদবনি’



মুম্বাই, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
সিভ সেনা (উধব থাক্রেগী ফেক্সন) গী লুচিংবা সঞ্জয় রাউটনা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারিনা সত্রপতি সিভাজি মহারাজকী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ভগত সিংহবু গভর্ণরগী ফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দে মশানা মশাবু ইকায়খুম্নজরবদি চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী পোত্থাগদবনি হায়রি।

পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা জেলদগী থোরকপা কুইদ্রিবা সিভ সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাউটনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী গভর্ণর ভগত সিংহনা মরাথা রুলর সত্রপতি সিভাজি মহারাজবু অরিবা আইদলনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। গভর্ণরগী ৱাহৈ অদু মহারাষ্ট্রগী মীয়ামবু ইকায়বা পীবনি। চৎলিবা চহী অসিদা গভর্ণরনা সিভাজি মহারাজবু ইকায়বা পীবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অসি ৪ রক শুরে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা গভর্ণরনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি তাদুনা তুমিন্না লৈথোক্লি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফাওবা সিভাজি মহারাজবু মখোয়গী আইদল অমা ওইনা লৌরি। অদুগা পার্টি অসিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমনা ঔরঙ্গজেবকী মফমদা সিভাজি মহারাজনা মঙারক লাল্লে হায়জখি হায়না ফোঙদোকখি। মসি বি জে পি ওফিসলশিংগী ফীরেপলা হায়বসি হঙনিংঙাই ওইবা ৱাহং ওইরক্লি। বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা লাল্লে হায়জগদবনি অমদি গভর্ণর ভগত সিংহবু খুদক্তগী লৌথোক্কদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সিভাজি মহারাজবু মীয়াম মমাঙদা ফোংনা ইকায়বা পীরবা ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা করিগুম্বা অমত্তা খঙদবা শাদুনা তুমিন্না লৈথোক্লি। মসি মশানা মশাগী হকপু য়োম্থোকচবনি, মদুনা মরম ওইরগা মহাক চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী মশানা খঙনা পোত্থাগদবনি। একনাথ সিন্দেনা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্কী মথক্তা মরাল কয়া শীদুনা মহাক মশানা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক শেল্লমদাই মতমদা সিভাজি মহারাজবু আইদল অমনি হায়না য়াম্না তোয়না ফোঙদোকচখিবগা লোয়ননা সিভাজি মহারাজনা চৎলম্বা লম্বীদা মতুং ইনগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুং মহাক্কী ৱাফমশিং অদু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওম্থোক্ত্রি হায়রি।

## গুজরাট ইলেক্সনগী মাঙওইননা রেবেল এম এল এ ৭ বি জে পিনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

গান্ধীনগর, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা ফেজ অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবা কেন্দিদেটশিংগী মীং লাউথোকখ্রবা মতুং মদুদা য়াওরক্ত্রবা হৌজিক হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ ওইনা লৈরিবা মীওই ৭ না ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই ৭ অদুবু বি জে পিনা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

বি জে পিনা ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রিবা এম এল এ ৭ অসি পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবগী টিকেট পীবীনবা হায়জরকখিবশিংগী মনুংদা য়াওবা ঙাক্তনি। অদুবু বি জে পিদা লেপকদবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোরকপদা মীওইশিং অসি য়াওরকখিবদবনি। মদুগী মতুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, গুজরাট বি জে পিগী প্রসিদেন্ট সী আর পটিলনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রবা এম এল এ ৭ অসি চহী ৬ কী মমাঙদা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রবা ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসি পার্টিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওই ঙাক্তনি। মরম অদুনা মখোয়বু তঙাইফদনা সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রবা বি জে পি লুচিংবশিং অদুগী মনুংদা নরমদা দিষ্ট্রিক্টকী হরসদ ভাসাভা, আর্বিন্দ লাদানি, সত্রসিং গুঞ্জারিয়া, কেতনভাই পটেল অমসুং করনভাই বরায়াসু য়াওরি।

## মীয়ামদা লেম্না ইলেক্ট্রিক ফংহল্লিবা অসি বি জে পিনা থিংনবা হোৎনরি ঃ কেজ্রিৱাল



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া লেম্না ফংহল্লিবা অসি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা থিংনবা হোৎনরি হায়না এ এ পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা মরাল শীরক্লি।

দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লি মীখলগী কেম্পেইন অমদা এ এ পিগী মীরেপশিংদা ভোট পীনবা হায়জরদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দেল্লিগী মীয়ামদা হৌজিক লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক অসিনা মৈ য়ুনিট খরা লেম্না ফংহল্লি। অদুবু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামদা লেম্না ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং অসিবু থিংনবা হোৎনরি। অদুবু মখোয়না হোৎনরিবা অসি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিদা হৌজিক হৌজিক বি জে পি লৈবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী মীখলদা মীয়াম্না এ এ পিগী মীরেপশিংদা ভোট পীদুনা পৱার শীন্নবীয়ু। মদু ওইরবদি মখা তানা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা হৌজিক লেম্না খুদোংচাবা কয়া পীরিবা অসি মখা তানা অদুম্মক পীবা ঙমখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনমিন্নরসি হায়রি।

## পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪৯২ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪৯২ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৪৯২ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৬৯,০১৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৬,৪৮৯ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫৭৪ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৩ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৮৬ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

## মথং থাদা মমতা বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নরবা য়ানা লৈরি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
ন্যু দেল্লিদা মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী চীফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মিটিং অমগা মরী লৈননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা তোঙান্না উন্নরবা য়ানা লৈ হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নবা অদুদা মমতা বেনর্জিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হৌজিক হৌজিক দ্যু লৈরিবা শেনফমশিং অদু থাদোক্লবা তকশিল্লবা য়ানা লৈ। চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু গঙ্গা তুরেলগী লৈরায় কা হেন্না চাশিল্লক্লিবা অমদি ঈশিং মোৎশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদসু খঙহনবা লৈখ্রে। মরুওইনা ফারাকা থোংগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লৈরায়শিং কা হেন্না শোকচিল্লক্লিবা অদুগী মতাংদা মীৎয়েং চঙনবা খঙহনবসু লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মিটিং অসিদা মমতা বেনর্জিনা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্টকী ওইনা পেন্দিংদা লৈরিবা এরিয়রশিংসু থাদোরক্নবা ফোঙদোক্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা মলদা, মুর্সিদবাদ অমসুং নাদিয়া দিষ্ট্রিক্টতা গঙ্গা তুরেলনা লৈরায়শিং লেপ্পা লৈতনা শোকচিলহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অহবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে। মহাক্কী চেরোল অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙনবা এদভাইস তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মীফম অসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোক্কদবা মীফমনি হায়রি।

## ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা এক্টিভিষ্ট মেধা পটকরগা চৎমিন্নখিবগীদমক পি এমনা হুন্দুনা ঙাংখ্রে





রাজকোট, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ মহারাষ্ট্র য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুদা নর্মদা ডাম প্রোজেক্টকী মায়োক্তা কেম্পেইন চথুরিবী এক্টিভিষ্ট মেধা পটকরগা পুন্না চৎমিন্নখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাহুল গান্ধীবু হুন্দুনা ঙাংখিবগা লোয়ননা নর্মদা ডাম প্রোজেক্ট অসি গুজরাট মীয়ামগী লাইফ লাইননি হায়বসি কাওরোইদবনি হায়রি।

গুজরাটকী রাজকোট দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা হৌজিক চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা চহী ৩০ রোম নর্মদা ডাম প্রোজেক্টকী মায়োক্তা থবক তৌদুনা লাক্লিবী নুপী অমগা চৎমিন্নরি। নরমদা তুরেলগী মথক্তা শারিবা সরদার সরোভর ডামগী মায়োক্তা নুপী এক্টিভিষ্ট অসিনা লিগেলগী ওইবা অয়েৎ অপন কয়া পীরকপনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা প্রোজেক্ট অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা গুজরাটকী মীয়ামদা কান্নবা পীগদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিগী মায়োক্তা মেধা পটকর অমদি অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট কয়ানা মতম পুম্বদা অয়েৎ অপন পীদুনা লাক্লি। ষ্টেট অমগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিংদা অয়েৎপা পীরিবা মীওই অমগা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী খোঙচৎ পুন্না চৎমিন্নখিবা অসি অঙকপা ফাওই। নর্মদা ডামগী মায়োক্তা লৈবা মীয়াম পুল্লগা লাক্কদৌরিবা মীখলশিংদা বি জে পি মায়থিবা পীগনি হায়না খল্লিবা অপিকপা ৱাখল্লোনশিং অদু থাদোক্কদবনি। মরমদি কোংগ্রেসনা মঙলিবা মঙলান অসি কৈদৌনুংদা মঙফাওনরোইদবা অমনি হায়রি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতসু বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা এক্টিভিষ্ট মেধা পটকরবু গুজরাটকী মায়োক্তা লৈবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না তুরেল অসিদগী ঈশিং শীজিন্নবদা অথিংবা পীনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়াশিনখিবা মতমদা হরাও হরাও তৌরিবা অসিনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন অদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লে। লুচিংবা অসিনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎ অসি পুনশিনবগী খোঙচৎ নত্তে। মসিদি ভারত তোরো যাত্রানি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## মঙ্গলুরু বোম ব্লাষ্টকী থৌদোক লালহৌবশিংনা থোকহনখিবনি

বাল্লারি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা কর্নটাকাগী মনুংচনবা মঙ্গলুরুদা বোম ব্লাষ্ট চথুখিবা অদু লালহৌবশিংনা চথুখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বসাভরাজ বোমাইনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মঙ্গলুরুদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু ওটো রিক্সো অমদা প্লান্ট তৌরম্বা আই ঈ দি ওইরম্বা য়াই। পোকখায়বগী থৌওং অদুদা দ্রাইভর অমসুং পেসেঞ্জর অশোক অপন নঙখি। মখোয় অনীমক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুরি। বোম অদু কুকর অমদা ফিট তৌরমখিবনি। থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী ৱাংমদা বেজ তৌবা লালহৌলুপ অমনা চথুখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনরিবা মীওই অমা ফাবা ঙম্নবা পুলিসনা থিহুম্বগী থবক কন্না চথুরি। থৌদোকসিদা চেন্নরম্বা চিংনরিবা মীওই অসিগী ময়ুমদা পুলিসনা র‌্যেদ চথুখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এন আই এ অমসুং ইন্টলিজেন্স ব্যুরোদা থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙহল্লকপদগী পুলিসকা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। অথুবা মতমদা চেন্নরিবা মীওই ফাবা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিলিগুরি সিটিদা য়ুম ৫০ রোম মৈনা চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১২ অশোক অপন নঙখ্রে



সিলিগুরি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিলিগুরি সিটিদা লৈবা স্লম এরিয়া অমদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী য়ুম ৫০ রোম অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই ১২শু অশোক অপন নঙহনখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না স্লম এরিয়াদা লৈবা য়ুমশিং মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপদা থোকখিবনি। ৱার্দ নম্বর ১৮ দা লৈবা রানা বষ্টিদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ফায়র টেন্দর ৮ শীজিন্নখি। মৈনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা য়ুমশিং অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং মতম খরগী ওইনা শেল্টা কেম্প অমদা হোঙদোক্তুনা লৈহনখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা মখোয়দা ফিরোল অমদি চান-থক্লবশিং তেঙবাং পীরি। মৈনা চাকপগী থৌদোক অদুদা শোকখিবা ১২ গী মনুংদা ফায়র ফাইটর অমা, চহী নৌরিবা অঙাং অমা অমদি নুপী অমা হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুরি। অতোপ্পা ৯ অদুনা ফার্ষ্ট এদ পীরবা মতুং কা হেন্না শোক্তবনা মরম ওইরগা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন সুবাস সরকারনা থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীওইশিং অদুদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা লোকল পোলিটিকেল লিদর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈহৌ লাংপোক অদু মতৌ করম্না থোরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL-VII**

**Ref :- Mutation Case No. 691/AS&SO/VII-TBL Dt:- 14/11/2022**
Parties:- Waikhom Sushildro Singh S/o W. Inaobi Singh of Thoubal Pakhangkhong Leirak. -Petitioner
-Vs-
Co. Pattadar No. 2:-
(L) Waikhom (O) Sumolata Devi W/o W. Inaobi Singh of Thoubal Achouba Pakhangkhong Leirak. -O.P.P

ꯈꯣꯡꯎꯞ / **NOTICE**
Dt :18-11-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা Waikhom Sushildro Singh তহশিল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৮৬৬/২৫৬২ অনৌবা দাগ নং ৪৫৬৫/৫২৪৮ এরিয়া ০.০৬০০ একর ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার Waikhom (O) Sumolata Devi Co. No. 2 সাং Thoubal Achouba Pakhangkhong Leirak অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অহবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer-VII, Thoubal**
HL-P/5025/21